# য়ু এস ওপন : কিজ অমসুং স্লোনি ষ্টেফেন্স ফাইনেল শান্নরগনি



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ : অমেরিকান মেদিসন কিজ অমসুং স্লোনি ষ্টেফেন্স য়ু এস ওপন ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল শান্নরগনি।

ফ্লসিং মিদোজতা লৈবা অথর অসে ষ্টেদিয়মদা য়ু এস ওপন ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী অহানবা সেমী ফাইনেলদা স্লোনি ষ্টেফেন্স অমসুং গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়ারক লৌখ্রবী ভেটরান ভেনস ৱিল্লিয়মস শান্নখি। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা স্লোনি ষ্টেফেন্সনা ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৬-১, ০-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা মেদিসন কিজ অমসুং কোকো ভেন্দৱেগ শান্নখি। মেচ অদুদনা ১৫শুবা সীদতা লৈরিবী মেদিসন কিজনা ২০শুবা সীদতা লৈরিবী কোকো ভেন্দৱেগপু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

থাংজ নুমিৎকী নুংমিদাংৱাইরমদা স্লোনি ষ্টেফেন্স অমসুং মেদিসন কিজনা ফাইনেল মেচ শান্নগনি। য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা স্লোনি ষ্টেফেন্স অমসুং মেদিসন কিজ মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙলকখিবী শান্নরোয় ঙাক্তনি। য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলদা চঙলকখিবা শান্নরোয় মরিমক অমেরিকান মচা ঙাক্তা ওইখি। য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলদা অমেরিকান মচা মরি চঙলকখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইবদা নত্তনা রেকোর্দ ওইনা থমখ্রবনি।

মশাগী খোঙয়া ওপরেসন তৌবদগী থা ৮ লোম শান্নবা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুং হৌখিবা থা ২ রোমগী মমাঙদগী শান্নবা অমুক হৌরকখিবা রেঙ্ক ৮৩শুবদা লৈরিবা ষ্টেফেন্সনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা ষ্ট্রোক হন্দক্কী সেমী ফাইনেল মেচ অসিদা পীবা ঙমখ্রে। মহাক্কী ফজরবা ষ্ট্রোকশিং অদুনা ৭লক হন্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ভেনস ৱিল্লিয়মসসু মায়থীবা পীখিবনি।

মশাগী চহী ৩৭শুরবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা য়ু এস ওপনগী গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা খ্বাইদগী চহী য়াল্লবা নুপী ওইননবা হোৎনখিবনি। অদুবু সেমী ফাইনেলদা মায়থীখিবনা মহাক্কী মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমখিদ্রে। সিজন অসিগী মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংগী ফাইনেলদা অহুল্লকশুবা ওইনা চঙননবা ৱিল্লিয়মসনা হোৎনখিবনি।

অহানবা ওইনা য়ু এস ওপনগী ফাইনেল চঙলকখ্রবী মেদিসন কিজ অমসুং স্লোনি ষ্টেফেন্সনা টাইটল অসি লৌনবগীদমক শেম শান্নখ্রে।

## সানিয়া মিরজা অমসুং পেং স্বাইগী জুরা ৱিমেন'স দবলসকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ : য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ৱিমেন'স দবলসতা ইন্দিয়াগী টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী চাইনিজ পার্টনর পেং স্বাই সৌ ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱিমেন'স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা সানিয়া মিরজা অমসুং পেং স্বাইগী জুরানা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবুস অমসুং চেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রি লভাকোবাগী জুরাগা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখি। মেচ অদুদা সানিয়া মিরজা অমসুং পেং স্বাইগী জুরানা টিমিয়া বাবুস অমসুং এন্দ্রি লভাকোবাবু ৭-৬, ৭-৬ (৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

সানিয়ানা মার্টিনা হিঙ্গিজকা পার্টনর ওইদুনা কুমজা ২০১৫দা য়ু এস ওপন ৱিমেন'স দবলসকী টাইটল লৌখিবনি। ৱিমেন'স দবলসকী সেমী ফাইনেল চঙলকখ্রবী ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজানা অমুক হন্না টাইটল অসি লৌননবা পান্দম থমখ্রে।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৫

১. নেসনল গেমসকী টাই ক্বান্দো মশান্নদা ইহান হান্না সনাগী মেদল ফংখিবা মণিপুরী মচা অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা দাক্তর দিধান চন্দ্র রোয় ত্রোফিদা মণিপুরনা মায়োক্নবা টিম্বু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবগে?

৩. এসিয়ান গেমসতা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা মণিপুরগী নুপী অনী শরুক য়াখি। অমনা ইরোইবদা কিরন মালা দেবীনি অদুগা অতোপ্পা নুপী অদু কনানো? করম্বা থৌরমদনো? পাউখুম অনী পীয়ু।

৪. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী হোকিগী কেপ্তেন শান্নরোয় অনীদা পূন্না ওইহনখিবগে?

৫. পীরিবা অফাওবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্তেম্বর ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# এস ঈ ভি এ নরানসৈনা গোল ২-০দা মায় পাকখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ০৮ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস ঈ ভি এ নরানসৈনানা গোল ২-০ দা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৫না শরুক য়ারগা হৌখিবা ওগষ্ট ২২ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং অমসুং এস ঈ ভি এ নরানসৈনা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনিটতা এম পি আই আই ৱাই এগী বাওধোন্না ওন গোল অমা চনখিবদগী এস ঈ ভি এনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মসিগী মতুং মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৬০ প্লস টু চৎপা মতমদা এস ঈ ভি এগী জর্সি নম্বর ১০ কিরন্না গোল অমগা চনখি। মেচ লোইবা ফাওবদা এম পি আই আই ৱাই এনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এস ঈ ভি এনা এম পি আই আই ৱাই এবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা বি ৱাই দি ও বোরায়াংবী অমসুং টি ঐচ এ এস সী খা খুনৌ শান্নগনি হায়রি।

# মারিজানেনা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী কোচ ওইরগনি



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ : ইন্দিয়ান'স ৱিমেন হোকি টিমগী কোচ ওইদুনা লাকখিবা সর্জোট মারিজানেনা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী চীফ কোচ ওইরগনি।

হোকি ইন্দিয়ানা রোলেন্ট ওল্টমান্সপু ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী কোচ ওইবদগী হন্দক্তা লৌথোকখিবনি। রেলেন্ট ওল্টমান্সপু কোচ ওইবদগী লৌথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) না ইন্দিয়ন ৱিমেন'স হোকি টিমগী চীফ কোচ ওইরিবা সর্জোট মারিজানেবু ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী চীফ কোচ ওইরগনি হায়না লাউথোরকখিবনি। অদুগা কুমজা ২০১৬ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নিং টিমগী কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহনা নুপী টিমগী কোচ ওইরগনি হায়না লাউথোরকখি।

মারিজানে মমাঙদা দটচ ৱিমেন টিমগী চীফ কোচ ওইরম্বা মীশকনি। মসিদসু নত্তনা মহাক নেদরলেন্দগী শান্নরোয় অমসু ওইরকখিবনি।

কুমজা ২০১৬ কী ৱর্ল্ড কপ্তা মায় পাকপা পুরকখ্রবা মতুংদা জুনিয়র টিমগী কোচ ওইনা অমুক হন্না এপ্লাই তৌরকখিদ্রববা হরেন্দ্রনা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমগী কোচ ওইরগনি। মহাক লেভেল থ্রিগী সার্টিফাইদ কোচনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা ঙরাং পাঙথোকখিবা জোইন্ট কম্মিটিগী মীফম অমনা হরেন্দ্র সিংহগী কোচিং স্কিলশিং অমদি মহাক্না তৌবা ঙম্বশিং অদু শকখঙলদুনা সাই অমসুং হোকি ইন্দিয়ানা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসি পীননবগীদমক ৱারেপ লৌখিবনি। হান্নগী ইন্টরনেসনল প্লেয়র অসিনা সেনিয়র মেন'স টিমগী চীফ কোচ ওইনা কুমজা ২০০৮ দগী ২০০৯ ফাওবা থৌদা পুরমখি অমসুং কুমজা ২০০৯ দগী ২০১০ ফাওবনা এসিষ্টেন্স কোচ ওইনা পুরমখি।

## পেনকাক সিলাটকী কোচিং কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ : ইন্দোনেসিয়াগী জকারটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিমগী ওইবা ত্রাইএল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১৬ অমসুং ১৭তা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরি। ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা পেনকাক সিলাটকী কোচিং কেম্প অমা সেপ্তেম্বর ৯দগী ১৩ ফাওবা সেক্তা ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি।

কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াবা শান্নরোয়শিংদা পেনকাক সিলাটকী টান্দিং (স্পেরিং) ইভেন্টকী ওইবা এদভান্স মেথদশিং নৈনগদৌরি। কেম্প অসিদা গ্রান্দ মাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম, এল শ্যামকুমার, ডা. মনি খুমন, নিংথৌজম রোবিন্দ্রো, এন জি নৱাং মীতৈ, এল রঞ্জিৎ অমদি জয়কুমারনা ইন্সত্রক্টর ওইগনি হায়না পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অঞ্জুনা কম্মনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শিলভর লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ : ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল কোষ্টতা চথরিবা কম্মনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মণিপুরদগী কোন্সম ওমিলানা গোল্ড, পি উমেশ্বরিনা শিলভর লৌখ্রবা মতুংদা এ অঞ্জুসু শিলভর মেদল লৌখ্রে।

কম্মনৱেলথ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী সি শান্নখিবা য়ুথ গার্লসকী কেজি ৭৫ গী ইভেন্টতা পূন্না কেজি ১৬৭ (স্নেচতা কেজি ৭৩ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৯৪) থাঙ্গৎতুনা এ অঞ্জু দেবীনা শিলভর মেদল লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সিমানা জুনিয়রগী সেক্সন্দা গোল্ড লৌখিবদা নত্তনা সেনিয়রগী কেজি ৭৫গী কেটাগোরিদা সিমানা পূন্না কেজি ২০২ (স্নেচতা ৯১ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা ১১১) থাঙ্গৎতুনা শিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৬৯গী কেটাগোরিদনা পুনম য়াদবনা পূন্না কেজি ২১৭ (৯৭ অমসুং ১২০) থাঙ্গৎতুনা শিলভর মেদল লৌখি।

সেনিয়র মেনগী কেজি ৯৪গী কেটাগোরিদা বিকাস থাকুরনা পূন্না কেজি ৩৪০ (১৫০ অমসুং ১৯০) থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। অদুগা কোঞ্জুম তবানা জুনিয়র মেন'সকী কেজি ৯৪গী ইভেন্টতা পূন্না কেজি ৩১৭ (১৪০ অমসুং ১৭৭) থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়নশিপ অসিগী হৌখিবা নুমিৎশিংদা পাঙথোকখিবা য়ুথ গার্লসকী কেজি ৪৪গী কেটাগোরিদা মণিপুরদগী কোন্সম ওমিলানা পূন্না কেজি ১৩৩ (স্নেচতা কেজি ৫৭ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৭৬) থাঙ্গৎতুনা গোল্ড লৌখিবনি। অদুগা পি উমেশ্বরিনা য়ুথ গার্লস এন্দ জুনিয়র ৱিমেনগী কেজি ৬৩গী কেটাগোরিদা শিলভর মেদল অমা লৌখিবনি।

# সুব্রটো কপ্তা শরুক য়ারুবা এন সী সী ইম্ফালগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ : দেল্লিদা ওগষ্ট ২২দগী সেপ্তেম্বর ৭ ফাওবা চথখিবা অন্দর-১৪ বোইজ সুব্রটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুবা এন সী সী ইম্ফালগী শান্নরোয়শিং গ্রুপ কম্মান্দর এন সী সী জি পি হেদ ক্বার্টর ইম্ফাল বৃগেদিয়র বিবেক শর্ম্মনা লুচিংদুনা তরাম্না ওকখ্রে।

এন সী সী ইম্ফালগী টিম অসিনা সুব্রটো কপ অসিদা দেল্লি, মহারাষ্ট্র অমসুং গুজরাটপু মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনা শান্নখিবনি। এন সী সী ইম্ফালগী টিম অসি ঙসি ইম্ফালদা হল্লকখিবনি। এন সী সী ইম্ফালগী শান্নরোয়শিংনা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা মখোয়বু এন সী সী গ্রুপ হেদ ক্বার্টরদা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা টিম অসিদা মনা ওইনা লুপা লিশী ২৫গী শেনফম অমদি প্লেয়র খুদিংমক্তা মপূং ফাবা ফুটবোল কিটসশিং খূৎশিন্নখি। থৌরমদুদা শান্নরোয়শিংগী মমা মপা ওইবশিংসু শরুক য়াখি।

## ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ : এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা বিরমঙ্গল কোলেজনা শিন্দুনা এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কোলেজ অসিগী ওফিসতগী নৎত্রগা এম য়ু স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা ওফিস অৱারগী মতমদা লাক্লগা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা সেপ্তেম্বর ২৬ কী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইগনি। ফোর্ম পীশিল্লকপা মতমদা শান্নরোয়শিংগী এজ প্রুভ সার্টিফিকেট য়াওনা মথৌ তাবা চে-চাংশিং য়াওহল্লক্কদবনি হায়নসু বিরমঙ্গল কোলেজগী প্রিন্সিপাল আর কে মনিস্নানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ : এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা মণিপুর কোলেজনা শিন্দুনা কেপ্তেন সানৌজম ইঙো সিংহ (রিটয়ার্দ) এম য়ু ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল (মেন) টুর্নামেন্ট অমসুং সানৌজম ওংবী নলিনি দেবী মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ কোলেজ অসিদা পাঙথোক্লগনি। এম য়ুদা এফিলিএট তৌবা কোলেজ অমদি ইনষ্টিট্যুটশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২০গী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা এন্ত্রি ফোর্মশিং পীশিল্লকপা য়াগনি। এন্ত্রি ফোর্ম অদু কোলেজ অসিগী ওফিসতগী নৎত্রগা এম য়ুগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতগী লৌরবা য়াগনি হায়রি।



HL-B/4069/15/8-14/09

NATION TAX MARKET
GST
গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স

থুরো টেক্সপ্রেরশিং!

জুলাই, ২০১৭কী জি এস টি আর -১ ফাইল তৌগদবা তারিখ থুনা য়ৌশিল্লক্লি।

জুলাই, ২০১৭কী জি এস টি আর-১ ফাইল তৌ
সেপ্টেম্বর ১০, ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা
তৌফম থোকপা তারিখ ফাওবগী মনুংদা জি এস টি আর-১ ফাইল তৌদবগী লেট ফী চার্জ তৌগনি।

পূক্নিং চঙলো
নহাক কুমজা ২০১৭কী জুলাই থাগী নহাক্কী থীফম থোকপা
টেক্স ২৫.০৮.২০১৭ ফাওবগী মনুংদা থীদ্রবদি,
নহাক চহীদা ১৮% গী চাংদা ইন্টরেষ্ট পীগদবনি!

- নহাক্কী পীফম থোকপা আউটপুট টেক্স পীনবা ইলেক্ট্রোনিক কেস/ক্রেদিট লেজর দেবিট তৌরগা অমসুং জুলাই, ২০১৭কী জি এস টি আর - ৩ বি ফাইল তৌরগা নহাক্কী পীফম থোকপা ইন্টরেষ্ট হন্থহনবা য়াগনি।
- নহাক হৌজিকসু লেট ফী অমত্তা পীদনা জুলাই, ২০১৭কী জি এস টি আর - ৩ বি ফাইল তৌবা য়াগনি।

খঙজিনগদবা : জুলাই, ২০১৭কী জি এস টি আর -১, ২ অমসুং ৩ থেংনা ফাইল তৌবগী লেট ফী কোক্নবা থৌরাং লৈতে।

পূক্নিং চঙলো
ইলেক্ট্রোনিক কেশ/ক্রেদিট লেজরদগী শেনফম দেবিট তৌরবা মতমদদা টেক্স পীবা মপূং ফাগনি।
লেজরদা দিপোজিট তৌবদনা মপূং ফারোই!

জি এস টি আর - ১গী অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক্তা, ভিজিট তৌবিয়ু goo.gl/EhaRns
*জি এস টি - অফবা অমসুং অচম্বা টেক্স অমা*

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ
কম্মর্সিয়ল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিরেটোরিজ
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in
davp 15502/13/0208/1718